# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 41, Issue No.295 | নোংমাইজিং, ফাইরেল ৪নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Sunday, January 21, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকপা মণিপুর নট সঙ্কীর্তন্না তানচপকী পর্ফোমেন্স পীবগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপগী শক্তম



লামায় ৩

ভারতিয়া জনতা যুব মোর্চা (বি জে ৱাই এম) মণিপুরনা রিমস ব্লদ বেঙ্কতা খুৎশম্নদুনা বি জে পি মণিপুর য়ুনিটকী ওফিসতা পাঙথোকপা মেগা ব্লদ দোনেসন কেম্প


লামায় ৩

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা পীবা চৈথেং অমদি নুপীদা চথুবা মীওৎ মীনৈ থিংবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বসিদা খুরাই কোন্সম লৈকায়দা পাঙথোকপা খন্ন-নৈনবগী থৌরম


লামায় ৪

সী এস আই আর ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকপা মেদিসনেল প্লান্ট, হোম হর্বেল গার্দেনগী সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রামগী শক্তম


লামায় ৩

## থাউগী মমল

**ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট**

**পেট্রোল :** লিটরদা লুপা ৭০.২৩

**দীজল :** লিটরদা লুপা ৬০.৯৯

## ভোলভো বস সার্বিস লোঞ্চ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ : সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা ঙসি উরিপোক কাংচুপ রোদতা লৈবা লমজিংবা মেনেজমেন্ট সার্বিসকী ব্রাঞ্চ ওফিসতগী লমজিংবা ভোলভো বস সার্বিস লোঞ্চ তৌখ্রে। লমজিংবা মেনেজমেন্ট সার্বিসনা চলাইগদবা ভোলভো বস সার্বিস অসিগী পেসেঞ্জর সিট কেপাসিটি ৪৪নি। ইম্ফাল-গুৱাহাটি চেনগনি। য়ু এস বি সার্বিস, সিট বেল্টনচিংবা ফেসিলিটি কয়া বস অসিদা হাপ্লি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খি, লমজিংবা মেনেজমেন্ট সার্বিসতা ইমপ্লোয়ী ৫৪ রোম থবক তৌরি। লমজিংবা সার্বিসনা মায় পাক্লা থবক তৌরি। টিম অসিনা মণিপুরগী নহা কয়াদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 78.029042 |
| US Dollar | 63.843136 |
| British Pound | 88.456394 |
| Australian Dollar | 51.079042 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.977576 |
| Japanese Yen | 0.5769 |
| Malaysian Ringgit | 16.210962 |
| Norwegian Krone | 8.116855 |
| Singapore Dollar | 48.330824 |
| South Korean Won | 0.059824 |
| Swedish Krona | 7.911588 |
| Turkish Lira | 16.762761 |
| Myanmar Kyat | 0.04740 |
| Bangladesh Taka | 0.77004 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 30844.92 |
| Mumbai | – | Rs 31561.50 |
| Delhi | – | Rs 30962.57 |
| Kolkata | – | Rs 31540.11 |

## অ ঈং-অশাগী পাউ

| মফম | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৩.৮৪ °C | ৯.৯৩ °C |
| চান্দেল | ২৭.৮৩ °C | ১০.৫১ °C |
| সীসীপুর | ২৪.৫৭ °C | ৮.৪১ °C |
| ইম্ফাল | ২৫.০৬ °C | ৮.১৮ °C |
| সেনাপতি | ২২.৭৬ °C | ৬.৭০ °C |
| তমেংলোং | ২৫.৮২ °C | ৮.২৯ °C |
| থৌবাল | ২৫.১৬ °C | ৯.৭০ °C |
| উখ্রুল | ১৮.০৬ °C | ৬.৩৬ °C |
| মণিপুর | ২৭.৮৩ °C | ৬.৩৬ °C |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৬.০০
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৫০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অস! লোইরেহে!

ইচাদি থবক চিনখ্রেদা...!



ইমা ফরক তারকখিনু,
ৱারী অমুক্তা লোইশিন্নখিগে...!

# অনৌবা মণিপুর অমা শাগৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা মীয়ামদা আপিল তৌখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২০ (ঐচ এন এস): কাঙলুপ মশেলগী খেন্নবা থমদনা অমসুং ঐখোয় মশেলগী ওইবা খেন্নবা অমত্তা লৈতনা লৈঙাক অসিনা অনৌবা মণিপুর অমা শেম্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা আপিল তৌখ্রে।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লিতান ময়াদা লৈবা লৈঙাং চীংদা তাঙ্খুল অজয় কতম্নাও লোং (সাউদর্ন তাঙ্খুল ষ্টুদেন্টস)গী গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসন, ৩১শুবা জেনরেল কনফরেন্স কম স্পোর্টস মিট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না হায়খি, মীপুম খূদিংমক চপ মান্নবা খুদোংচাবা ফংহন্নবা অমসুং নুংঙাই য়াইফনা হিংমিন্ননবা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা য়াম্না কন্না হোৎনরি।

থৌরম পাঙথোক্লিবা মফম অদু আর সী সী পেবিলিয়ন ওইনা শেমগৎনবা তঙাইফদনা চঙবা শেনফমশিং ষ্টেট বজেটতা হাপ্লগনি। খেলো ইন্দিয়া প্রোগ্রামগী মখাদা ভীলেজগী প্লেগ্রাউন্দ নৌনা শেমগৎকনি। মীয়াম অমসুং চথোক চৎশিন তৌরিবশিংদা খুদোং চানবগীদমক লিতান কৈথেলদা পব্লিক টোইলেট য়াওবা ৱেটিং সেদ অমা শাগনি অমসুং থৱায় ভীলেজদা এস দি সী বিল্ডিং অমসু শাগনি হায়না থাজবা পীখি।

অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী য়াইরিপোক্তা লৈবা গ্বারোক মহাদেব (তরং সরাবা)গী নৌনা শাগৎপা লাইশঙ মীয়ামদা খুৎশিন্নখি। থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খি, গ্বারোক, কাইনা, ইঙৌরোক, থাংফেং অমসুং নুঙ্গৈথাং হায়রিবা হিষ্টোরিকেল ওইরিবা মফমশিং অসি টুরিষ্ট স্পোট অমা ওইনা অথুবা মতমদা শেমগৎলগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ঐখোয়গী অরিবা লাইফমশিং ইপা-ইপুগী অরিবা মফমশিং থিজিনবা শেমগৎপা হায়বসি মচা ওইবা ঐখোয়গী ইথৌনি হায়রদুনা অহল-লমন্না চৎলম্বা খোঙ্গুল থিদবগী ঐখোয় ঙসি মীখা থারিবনি। অহল-লমন্না চৎলম্বা লিক্লমশিং য়োকখৎলগা চৎলবা মতমদা ঐখোয় মীঙোন্দগী হেন্না মীথোই-মীহেনবা ওইগনি।

হৌজিক লাইফম ৩৬ মশক খঙদোক্লে। মসিগী মথক্তা কৌব্রু, ইবুধৌ থাংজিং অমসুং খানা চাওবা ৱাংব্রেননি হায়রিবা লাইফমশিং অসিসু হন্দক্কী প্রোগ্রামদা হাপ্লে। অসিগুম্বা অরিবা য়াম্না হিষ্টোরিকেল ওইবা মফমশিং শোয়দনা শেমগৎচগনি হায়খি।

বিরেননা মখা তানা হায়খিবদা, লম্বী-থোং ফরবা মতমদা টুরিজম চাউখৎকদৌরিবনি। লম্বী-থোং ফহনবা, লাইরবা অহল ওইরবা/ওইরবী লুখ্রাবী অমদি কনা লৈজদ্রবা, লায়েংবা ঙমজদ্রবা অমসুং অৱা-অনা তারবশিংবু ফিভম ফহনবা, মখোয়বু মতেং পাংবা হায়বা অসিনা গভর্নমেন্ট অসিগী অহানবা খোঙথাং ওইদুনা লাক্লি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা লায়েংবা ঙমজদ্রবা মপানদা লায়েংবগী পুবা ঙমজদ্রবশিংগীদমকসু হয়েং জনুৱারি তাং ২১ ষ্টেটহুদ ডে অসিদগী স্কীম অমা চৎনবা...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

# শাশিন্নবা মার্ক সীট, সার্টিফিকেটনা ওজা ওইরম্বা ৬ থবক লৌথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ২০ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৬কী নবেম্বর ১৮দা পাঙথোকখিবা রাষ্ট্রিয়া মৈধ্যমিক শিক্ষা অভিয়ান (আর এম এস এ)গী ক্লাস থ্রিগী দি পি সীদা আর্টস গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা খনখিবশিংগী মনুংদা শাশিন্নবা মার্ক সীট/সার্টিফিকেট পীশিনবা অমসুং মার্ক শেমদোক্লগা ক্লালিফাইদ ওইহনবনচিংবা তৌরগা ওজা ওইরম্বা তরুক ঙসি থবক্তগী লৌথোকখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমারনা য়াথং অমা থোকখ্রে।

থবক্তগী লৌথোকখ্রবা ওজাশিং অদুদি ১) সগোলবন্দ মৈনো লৈরক মাইস্নাম নোংথোম্বা লৈকায়দগী সলাম তম্ফাসনা, মপুরোইবগী মিং চবুংবম এটোম; ২) খুমজি নোনে বজারদগী ক্যুসিনাং কামৈ, অপোকপগী মিং মেরি কামৈ; ৩) নুঙবা হেদকার্টরদগী অখামলিয়ু গোনমৈ, অপোকপীগী মিং গ্বাংতুলুং গোনমৈ; ৪) চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী টুইবোংদগী টি লেটখাগিন হাওকিপ, অপোকপগী মিং থাংমাং হাওকিপ; ৫) চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী খোনোম্ফৈ ভীলেজদগী লক্সিসন মাংতে, অপোকপগী মিং লৈখিদ্রবা অখাং মাংতে অমসুং ৬) তমেংলোং ৱার্দ নম্বর-৫দগী মাংসি পামৈ, অপোকপগী মিং গাইরিয়ুপৌ পামৈনি।

এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টরনা থোকখিবা য়াথং অসিনা হায়, সলাম তম্ফাসনা ইংলিশ গ্রেজুয়েট টিচর (আর এম এস এ) ওইনা এল পাৱম হায় স্কুলদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ১৬তা ট্রান্সফার তৌখি। আর্টস গ্রেজুয়েট ওইবগী তঙাইফদনা চঙবা ক্লালিফিকেসন হায়বদি শকখঙলবা য়ুনিভর্সিটি/ইন্সটিট্যুট অমদগী আর্টস গ্রেজুয়েট তৌবা, বি এদ নৎত্রগা মসিগা মান্নবা সার্টিফিকেট পায়বা মীওই ওইগদবনি। হায়রিবশিং অসি লোইনমক শুরে হায়দুনা মহাক ওজা ওইনা খনখিবনি।

মহাক্কী মার্ক সীট অমসুং সার্টিফিকেটশিং অদু কদাই ফাওবা চুম্বগে হায়না দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন্দা চে ইদুনা খঙহল্লুবদা মহাক কুমজা ২০০৫দা বি এদ এগজামিনেসন সেকেন্দ ক্লাসতা পাস তৌখি। অদুবু মহাক্না পীখৎলকখিবা মার্ক সীটতদি ফর্ষ্ট ক্লাস ওইনা উৎলকখি। মসিমক্লা মহাক্কী মার্ক সীট অদু টেম্পর তৌরে হায়বা খঙখি।

কুমজা ১৯৯৬তা মহাক হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন পাস তৌখি। মহাক্না পাস তৌবদা পীখৎলকখিবা মার্ক সীট অদুসু কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরদা চেক তৌরুবদা শেমজিন শাজিনবা ওইরমখি। মতৌ অসুম্না হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসনসু শেমজিন শাজিনবা ওইরমখি। মদুনা মরম ওইরগা মহাক থবক্তগী লৌথোক্লে অমসুং শাজিন্নবা চে-চাং পীখৎলগা লৈঙাক্কী থবক চঙলম্বগীদমক ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মখাদা থা ১গী মনুংদা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। মসিগা লোয়ননা মহাক্না থবক তৌরিঙৈদা লৌখিবা তোলোপ অমসুং এলাৱেন্স অদুসু থা ৬কী মনুংদা লৌখৎনবা এদিসনেল ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর, আর এম এস এ, এস আই এস মণিপুরদা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, ক্যুসিনাং কামৈ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা চাতোন হায় স্কুলদা ইংলিশ গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা পোষ্টিং পীখি। মহাক্না পীখৎলকখিবা দি এম কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন্দগী কুমজা ২০১২দা পাস তৌই হায়বা বি এদকী সার্টিফিকেট অদু চেক তৌরুবা মতমদা মহাক পাস তৌবগী রেকোর্দ অমফাওবা কোলেজ অসিদগী ফংবা ঙমখিদে। মহাকসু শাশিন্নবা সার্টিফিকেটনা থবক চঙলম্বগীদমক তম্ফাসনাগা চপ মান্ননা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

অখামলিয়ু গোনমৈ তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট নুঙকাউ হায় স্কুলদা আর্টস গ্রেজুয়েট ওইনা থবক তৌরি। মহাক্না দিপার্টমেন্ট অসিদা পীখৎলকখিবা কুমজা ২০১৩দা বি এদ এগজামিনেসন পাস তৌবগী সার্টিফিকেট অমসুং মার্ক সীট অদু দি এম কোলেজ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# তরেৎশুবা পেগী ফিরেপ জন্যুৱারী ৩১ ফাওবদা খঙহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচ এন এস): জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এমজিওনা তাক্লিবা ৭শুবা পে কম্মিসনগী পে অমদি দিমান্দশিংগী মতাংদা থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টরনা উনবগী তাঞ্জা অমা পীদুনা ফিরেপ খঙহন্দ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সীগী সেক্রেটরি জেনরেল এল বিকেননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

বাবুপড়াদা লৈবা জে এ সীগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা এল বিকেননা হায়খি, জে এ সীগী মায়কৈদগী ৭শুবা পে কম্মিসন চৎনহন্নবগী ৱাফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোইন্ট ২২গী দিমান্দ অমা তান্দুনা লাক্লি। ৭শুবা পে মণিপুরদা চৎনহনবা হায়বসি জে এ সীগী য়াম্না মরুওইবা দিমান্দ অমনি। হীরমসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরগা মমাঙদা উনখিবা লৈখ্রে। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২৬তা চীফ মিনিষ্টরগা জে এ সীগী মীহুৎশিংগা উনবা মতমদা থা ৩ ঙাইনবা ৱাফম হায়রকখি। থা ৩গী মতম অদু হৌজিক ফাজিল্লক্লে। অদুবু থোইদোকপা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি।

থা অসিগী ৪দা চীফ মিনিষ্টরগা উননবা হায়জবদা উনবা ফংদ্রে। থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা চীফ মিনিষ্টরগা উনদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাননবা হোৎনগনি। থা অসিগী ৩১ ফাওবদা চীফ মিনিষ্টরনা উনদুনা হীরমসিগী মতাংদা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খঙহল্লক্তবা তারবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারগনি।

থা অসিগী মনুংদা ৭শুবা পে কম্মিসনগী পে চৎনহন্নবা লাউ-থোকপীয়ু। চীফ মিনিষ্টরগা উননবা হোৎনবদা...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*








